

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, FEBRUARY 27, 2018 **PAGE 7**




*চহী অসিগী ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা চেন্নাই সুপর কিংসতা চহী ৮ শান্নরল্লবা মতুং নৌনা কিংস এলভেন পঞ্জাবকী কেপ্টেন ওইনা শরুক য়ারগদবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পিন্নর রবিচন্দ্রন আস্বিন*

*চহী অসিগী মার্চ ১ দগী ওস্ট্রেলিয়াগা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ শান্নবা লোইরবা মতুং ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী মরুওইবা বোলর অমা ওইরিবা মোর্নি মোর্কেল*

## ইন্দিয়াগী ভিকাস কৃষন অমসুং অমিত পানঘলনা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রে

*সোফিয়া, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোকপা ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট ২০১৮ দা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর অনী ভিকাস কৃসন অমসুং অমিত পানঘল মখোয়–মখোয়গী বাওটশিংগী ফাইনেল রাউন্দ মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সর ভিকাস কৃষননা মহাক্কী ফাইনেল বাওটতা য়ুএসএগী বোক্সর ট্রোই ইসলিবু মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।



*ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সরশিং অমদি ওফিসিয়েল*

ভিকাস কৃষন মমাঙদা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট কয়াদা মকোক ওইবা ঙমখ্রবা মতুং মখূৎ শোকপদগী থা খরা শান্নবা ঙম্লুদ্রবা মতুং ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুগী কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা য়ুএসএগী বোক্সর ট্রোই ইসলেবু বাওট অদুদা হৌবদগী হৌনা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী গোল্ড মেডল অদু ইৱা ৱাদনা ফংবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা কেজি ৪৯ গী কাঙলুপ্তা নুপাগী বোক্সর অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী অমিত পানঘলনা বলগেরিয়াগী সোফিয়া সিটিদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল বাওটতা মোরোকোগী বোক্সর সাইয়িদ মোর্দাজিবু মায়থিবা পীদুনা কেটেগোরি অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর গৌরব সোলাঙ্কিনা কেটেগোরি অদুগী ফাইনেল বাওটতা য়ুক্রেনগী বোক্সর দিমিত্রো জামোটেভকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না নক্লবা মওংদা পোইন্ট খরা খেৎনরগা মায়থিদুনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

বাওট অদুগী অহৌবা রাউন্দ অনীদা ইন্দিয়াগী সোলাঙ্কিনা এটেক কা হেন্না চথবা ঙমখ্রবা য়ুক্রেনগী জামোটেভনা দিফেন্স নীংথিনা তৌবা ঙমখিবদগী পোইন্ট লৌবা ৱাখিবনি।

অরোইবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী বোক্সর অদুনা থিনখিবা পঞ্চ খরা ইন্দিয়াগী গৌরব সোলাঙ্কিগী মায়কৈদা মপুং ফাবা পোইন্ট ফংখিবদগী বাওট অদুদা সোলাঙ্কি সিলভর ফংহৌরগা য়ুক্রেনগী জামোটেভনা গোল্ড লৌখিবনি।

পনবা য়াই ৬৯শুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী বোক্সরশিংনা পুন্না মেডল ১১ লৌবা ঙমখি।

মেডল ৫ নুপাগী বোক্সরশিংনা লৌবা ঙম্লগা নুপীগী কাঙলুপ্না মেডল ৬ লৌখিবনি। পুন্না ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্ট অসিনা গোল্ড মেডল ২, সিলভর মেডল ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেডল ৬ লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী বোক্সরশিংগী কাঙলুপ্তগী ভিকাস কৃষন অমসুং অমিত পানঘালনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী বোক্সিং কন্টিনজেন্ট অদুনা পুন্না মেডল ১১ লৌখিবা অদুগী মনুংদা নুপাগী মায়কৈদগী গোল্ড ২ অমসুং সিলভর ১ ফংখ্রবা মতুং মাঙজৌননা নুপীগী বোক্সরশিংনা সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংখি। অদুগা নুপাগী কাঙলুপ্তা কেজি ৫৬ অমসুং ৯১ মথক্কী ওইনা মোহমদ হুসামোদিন অমসুং সতিস কুমার সেমি ফাইনেলদা লৈহৌবদগী ব্রোঞ্জ ফংখিবনি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইংলেন্দগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লীগ কপকী টাইটল লৌখ্রে

*লন্দন, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লীগ কপকী ফাইনেলদা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ব্রিষ্টোন সিটিবু সেমি ফাইনেলগী লেগ অনী শান্নখিবা মেটচশিংদা এগ্রিগেটতা ৩–২ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা আর্সনেলনা চেলসিবু সেমি ফাইনেলগী এগ্রিগেটতা ২–১ দা থোইদুনা লীগ কপ অসিগী ফাইনেল য়ৌরকপনি।



*ইংলেন্দগী লীগ কপকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফি লৌদুনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমসুং আর্সনেলনা ঙরাং অথেংবদা লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ কপ ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুবু আর্সনেলগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা মায়োক্নখিদুনা মিনট ১৫ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা সর্জিও এগুইরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা আর্সনেলবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা আর্সনেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনবা ফাওবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিদা আর্সনেলবু ১–০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌশিল্লকপা লেপখিদে। শান্নবগী ৫৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই ভিনসেন্ট কোম্পনিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা আর্সনেলবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

আর্সনেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই দেবিদ সিলভানা টিম অদুগী পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা আর্সনেলবু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৫ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী লীগ কপকী ফাইনেল মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা আর্সনেলবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## নুপীগী টেন্নিসতা হালেপনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে

*পেরিস, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

নুপীগী টেন্নিসতা মালেমগী খ্বাইদগী নৌবা সিঙ্গলসকী রেঙ্কিংদা রোমানিয়াগী শান্নরোই সাইমোনা হালেপনা নম্বর ৱান পোজিসন ফংবা ঙমখ্রে।

পেরিসতা লৈবা ৱুমেন্স টেন্নিস এসোসিয়েসননা ঙসি থোকখিবা খ্বাইদগী নৌবা সিঙ্গলস শান্নরোইশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী দেনমার্ককী কেরোলিনা ৱোজনিয়াকিবু লানখৎলগা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখিবনি।

পরিং অসিদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা অহুমশুবা, য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা মরিশুবা, জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভানা ৫শুবা, লাটভিয়াগী ওস্টাপেঙ্কোনা ৬শুবা, ফ্রান্সকী গার্সিয়ানা ৭শুবা, য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসনা ৮শুবা, জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ৯শুবা অদুগা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ১০শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী সৌরব বর্মনা দেনমার্ককী জোরগেনসেনবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা স্বিজ ওপনগী টাইটল লৌখ্রে

*বাসেল, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

স্বিজরলেন্দগী সিটি বাসেলদা চথরকপা স্বিজ ওপন সুপর ৩০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা হান্না ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরম্লবা দেনমার্ককী ও জোরগেনসেনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ইদিসনদা ইন্দিয়াগী বেদমিন্টন শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থনা ফংবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৬ কী ইদিসনদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইনা ফংবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৩ শুবা মধ্য প্রদেশকী শান্নরোই সমির বর্মনা স্বিজ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা মহাক্কী ফজবা মশান্না উৎপা ঙমদুনা দেনমার্ককী ও জোরগেনসেনবু ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।



*স্বিজ ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সমির বর্মা*

অনীশুবা গেম অদুসু ইন্দিয়াগী সমির বর্মনা হৌবদগী হৌনা হেন্দুনা চৎপা ঙমখি। অনীশুবা গেম অদুদসু সমিরনা মহাক্কী ফজরবা মশান্না অদু মখা তানা লৈহনবা ঙমখিবদগী অনীশুবা গেম অদুদা অমুক্কা হেন্না ফজরক্তুনা পোইন্ট ২১–১৩ দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা স্বিজ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল অহানবা ওইনা লৌবা ঙমখি।

## আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্কার্টসমেননা রিও ওপনগী টাইটল লৌখ্রে যুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা দেলরে বিচ ওপনগী টাইটল ফংখ্রে

*রিও। ফ্লোরিদা, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্কার্টসমেননা রিও ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দস্কোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে। য়ুএসএগী সিটি ফ্লোরিদাদা পাঙথোকপা দেলরে বিচ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোনা জর্মনিগী পিটর গোজোকজিকপু ষ্ট্রেট সেট অদুদা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফংখ্রে।



*রিও ওপনগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনাগী স্কার্টসমেন (ওই) অমদি দেলরে বিচকী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন য়ুএসএগী টিয়াফো*

রিও ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী দিএগোনা অহানবা সেট অদুদা স্পেনগী ভর্দস্কোগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দস্কোনা মায় পাক্লবা হোৎনখ্রবসু আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্কার্টসমেননা ভর্দাস্কোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

রিও ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা স্পেনগী দেবিদ মারেরো অমদি ফর্নান্দো ভর্দাস্কোগী পেয়রনা ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেটিক অমসুং ওস্ট্রিয়াগী পেয়র আলেকজেন্দর পেয়াবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৫–৭, ৭–৫, ১০–৮ দা মায়থিবা পীদুনা ইভেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

দেলরে বিচ এটিপি টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুএসএগী ফ্রান্সেস টিয়াফোগা জর্মনিগী পিটর গোজোজিকনা ফ্রান্সেননা ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা য়ুএসএগী ফ্রান্সেন টিয়াফোনা জর্মনিগী পিটর গোজোজিকপু হিরম খুদিংমক্তা খুদুম চনবা ঙম্বদগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমখি। মদুগী কান্নবা ফংদুনা অহানবা সেট অদু ফ্রান্সেসনা পিটরবু গেম ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট অদুদা জর্মনিগী শান্নরোই পিটর গোজোজিকনা য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্তুনা য়ুএসএগী ফ্রান্সেসকী মশান্না অদুদা সোট কয়া মান্নবদগী মহাক্কী সার্ভিস গেম হোল্ড তৌবা ঙম্লবা মতুং শান্নবগী ৮শুবা গেম লোইশিল্লকপদা গেম ৪–৪ লৈখি।

অদুবু য়ুএসএগী ফ্রান্সেননা থংনবা গেম অনী থোইবা ঙমখিবদগী অনীশুবা সেট অদু ৬–৪ দা হেনখিদুনা দেলরে বিচ ওপন সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা য়ুএসএগী পেয়র জেক সোক অমদি জেক্সন ৱিথ্রোনা ফাইনেলদা য়ুএসএগী শান্নরোই নিকোলাস মোনরো অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পেত্রিক স্মিথকী পেয়রগা লম্বা তৌনবদা ৪–৬, ৬–৪, ১০–৮ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকপা মার্সিএল এটিপি টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন অদু রুশিয়াগী কারেন খচানোভনা য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ৭–৫, ৩–৬, ৭–৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## শ্রী লঙ্কানা য়ুম্বু ওইরগা বাংলাদেশ য়াওনা শান্নগদবা টি–২০ ট্রাই সেরিজদা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মনা ওইরগনি



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

শ্রী লঙ্কাদা চহী অসিগী মার্চ ৬ তগী হৌগদৌরিবা নিদাহাস ট্রোপি টি–২০ ট্রাই সেরিজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা বাংলাদেশ য়াওরগা শান্নগদৌরিবা অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মনা ওইরগনি।

হন্দক্তা সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট টুরদা মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম অদুদা শরুক য়াখিবা কেপ্টেন ভিরাট কোলি, এম এস ধোনি, ভুবনেশ্বর কুমার, জস্প্রিট বুমরা অমসুং হর্দিক পান্দিয়া পোত্থাহল্লগা ইন্দিয়াগী টিম অসিদা রোহিট শর্ম্মনা কেপ্টেন ওইরগা কেপ্টেন ওইরগা সিখর ধৱননা ভাইস কেপ্টেন ওইগদৌরি।

পনবা য়াই থা অসিগী ২৪গী অথেংবদা সাউথ অফ্রিকা অমসুং ইন্দিয়ানা শান্নখিবা টি–২০ সেরিজগী অহুমশুবা মেটচ মায় পাকখিবা অদুদা হান্নগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি শোকপদগী মহুৎ শিন্দুনা কেপ্টেন ওইখিবা রোহিট শর্ম্মনা শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ট্রাই সেরিজগী কেপ্টেন ওইগদৌরিবনি।

সেরিজ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুদি রোহিট শর্ম্ম (কেপ্টেন), সিখর ধৱন (ভাইস কেপ্টেন), কে এল রাহুল, সুরেস রাইনা, মনিস পান্দে, দিনেস কার্থিক (ৱিকেট কিপর), দিপক হুদা, ৱাশিংটন সুন্দর, য়ুজবেন্দ্র চাহল, অজর পটেল, বিজয় সঙ্কর, সর্দুল থাকুর, জয়দেব উনাকদ, মোহমদ সিরাজ অমসুং রিসব পন্টনি।

অমরোমদা সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট টুর অসিদা শরুক য়ারগা হন্দক শ্রী লঙ্কাগী ট্রাই সেরিজ অসিদা শরুক য়ারোইদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি হান্নগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি, ৱিকেট কিপর এম এস ধোনি, জস্প্রিট বুমরা, ভুবনেশ্বর কুমার, হর্দিক পান্দিয়া অমসুং কুলদিব যাদবনি।

অতোপ্পা পাউ অমদা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌগদৌরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা মমাঙদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরম্লবা মতুং কিংস এলভেন পঞ্জাবকী কেপ্টেনগী থৌদাং অদু রবিচন্দ্রন আস্বিননা লৌগদৌরি।


টিম অসিদা মমাঙগী আইপিএল টুর্নামেন্টশিংদা মরুওইবা শান্নরোইগী থৌদাং লৌখিবা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী ৱেষ্ট ইন্দিজ মচা খৃস গেল অমদি হান্না টিম অসিদা শান্নরমখিবা য়ুবরাজ সিংহসু য়াওরি।

## এন্টোইন গ্রিজমাগী হেটত্রিক্না সিভিলাবু এটলেটিকো মাদ্রিদনা ৫–২ দা থোইখ্রে

*মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারি ২৬ঃ*

স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রান্স মচা এন্টোইন গ্রিজমাননা চনখিবা হেটত্রিক্না মহাক্কী টিম এটলেটিকো মাদ্রিদনা সিভিলাবু পাঞ্জল ৫–২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ পুংখায় চঙশিল্লকপদা এটলেটিকো মাদ্রিদকী মরুওইবা শান্নরোই দিএগো কোষ্টানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ২৯শুবা মিনটতা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং মখা তানা এটলেটিকো মাদ্রিদনা চথরকখিবা এটেক অমদা ৱাংলিঙৈদা এন্টোইন গ্রিজমাননা মহাক্কী হেটত্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।



হাল্ফ মতুং মিনট ৬ চঙশিল্লকপদা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এটলেটিকো মাদ্রিদনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু এন্টোইন গ্রিজমাননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা সিভিলাবু পাঞ্জল ৩–০ দা এটলেটিকো মাদ্রিদনা হেন্দুনা লৈখি।

মিনট ১৪ গী মতুংদা মাদ্রিদকী কোকেনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৪–০ দা লৈখি। গ্রিজমাননা মহাক্কী হেটত্রিক অদু ৮১ শুবা মিনটতা চনখিবনি। ৮৫শুবা মিনটতা সিভিলাগী পাব্লো সরাবিয়ানা পাঞ্জল অমা হন্দোকখি। মদুগী মতুং টিমমেট নোলিটোনা ৮৯শুবামিনটতা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মেটচ অদু এটলেটিকো মাদ্রিদকী মখূত্তা সিভিলা পাঞ্জল ২–৫ দা মায়থিবা নংখি।